# থবক ফংদবগী ঙাওচৎনরবা নহারোলশিংগী অনৌবা থবক ভি দি এফ থাসনা

একেন সিজম্বুরুময়ুম

ভি দি এফ থাসনা হায়বা ফিল্ম অসি ফেব্রুৱারি থাদা মীয়ামদা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন ইয়র থিয়েটরদা প্রেমিয়র সো উৎখ্রবা মতুংদা হৌজিক মীয়াম্না পাম্না য়েংনরিবা ফিল্ম অমনি।

ফিল্ম অসি 'বোনি'গী হোম প্রদক্সন অমসু ওইরি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর, ষ্টোরি অমদি স্ক্রীন প্লে অসিনা হোমেন দি ব্রাই নি। ফিল্ম অসিগী তোপ তোপ্পা মহাও অমা হায়রগদি মণিপুর ফিল্মদা মতম খরগী মনুংদা অনৌবা মওংগী খুপুথোক ওইনা হোমেন দি ব্রাইনা মহাক্কী ফিল্মশিং অসি কোমেদিদা খরা হেন্না চঙশিন্দুনা পুথোকপা ফিল্ম অমনি। মসি দিরেক্টর অসিনা মমাংদা মায় পাক্না পুথোকখিবা ডাঃ হেমোগী হেল্লোই হায়বা ফিল্ম অদুদগী হৌরগা কোমেদিগী ট্রেনদা ফিল্ম পুথোকপা হৌরকখি।

মণিপুরদা হৌজিক মচিন তুমখৎলক্লিবা নহা ওইরিবা দিরেক্টরশিংগী মনুংদা হোমেন দি ব্রাই সু অমনি। মহাক্না মমাংদা পুথোকখিবা ফিল্ম খরগী মনুংদা 'মিত্রং কৈতেল, য়াইস্কুলগী পাখঙ অঙাওবা, ডাঃ হেমোগী হেলোই' হায়বশিং অসি বোক্স ওফিস্তা সুপর হিট ওইখিবা ফিল্মশিংনি। হন্দক্কী পুথোক্লিবা ভি দি এফ থাসনা হায়রিবা ফিল্ম অসিসু মীয়াম্না পাম্না য়েংনরকইবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। ফিল্ম অসিদা হোমেন দি ব্রাইনা ফুমদুনা লব ট্রাইঙ্গল অমবু পুদুনা চৎলি। মসিগী মথক্তা যনাওদা শীবা শরিক অমনা মেটাফোর্দ ওইনা শিজিন্নদুনা ফিল্ম অসি হৌবদগী লোয়বা ফাওবা পুদুনা চৎলি। ফিল্ম অসিগী তেন্তকপা ব্রারিদা 'থাসনা' কৌবা লাইরিক হৈরগা শুফম নোমফম খঙদনা মমা লুখ্রাবিগা লৈবা নুপামচা অসিগা অঙাং ওইরিঙৈদগী তিন্নরকপী মমান্নবী অমা লৈরম্মী। মখোয়গী ইমুং অদু পুলিসকী ইমুং ওইনা হৌরকপনা মহাকপু কৈদৌঙৈদসু থৌওইনা খনবিদনা ইমুং মনুংগী থবক ইনখাংদা মতেং পাংহনখি। নোংমা মহাক্না মাগী নুংদা থল্লিবা ব্রাফমশিং অদু মমান্নশিংদা ফোঙদোকপদগী মহাক্কা লুনা তিন্নরম্বী নুপী অদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা ইকাইবা পীদুনা মহাকপু তাম্থোরকখি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা মহাক নুপী অদুগী ব্রাখলদা ঙাওখি।

য়ুমথংনবদা লাকখিবা নুপীমচা অমা থেংনরুবদগী থাসনাগী ব্রাখল অমদি পুক্লিং হোংখি। মেরাগী ব্রায়ুংবা নুমিৎতা নুপীমচা অদুদা থাসনানা মাগী নুংশিবা অদু ফোঙদোকখি অদুবু নুপীমচা অদুনা নুপা থোকপা থবক অমা তৌ হায়বদগী পুক্লিং ব্রাখল হোংদুনা ঙাওচৎনদুনা লৈরম্বা থাসনা ভি দি এফ ওইখিবা অসি খক্তনি।

ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরনা মহাক্কী ফিল্মশিং অসিদা অয়াম্বা মতমদা অনৌবা মওংগী সোটদিভাইজ কয়া শিজিন্নদুনা মমাংগী ফিল্ম খরদা তৌরম্লগসু হন্দক্কী ফিল্ম অসিদা হান্নগী সোট দিভাইজশিং অদুগী মহুৎতা মিদ সোটতা অয়াম্বা কেপচর তৌদুনা নম্বা ফিল্ম অমা ওই। করিগুম্বা মতাং খরদা মহাক্না জুম শিজিন্নবা নত্তনা অতৈদি মিদ সোটতা ঙাক্তমক নম্বা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসি কোমেদি ফিল্ম ওইরগসু শক্তম লাংলিবা *বোনি, অবেনাও অমদি তোম্থোই* গী এক্টশিং অদুবু মীয়াম্না হেন্না পাম্না য়েংনরি। ফিল্ম অসিদা ঈশৈ হাপ্পী। অমনা ফিল্ম অসিগী কাষ্টিং হৌরকপদা স্কেস ওইনা য়েৎলগা মদুগী মথক্তা ক্রোমা তৌদুনা নম্বা সিন ওইখি। ঈশৈ অসিসু ফিল্ম অসিগী এক্টর ওইরিবা বোনি মশানা শকপা হৌজক্কী নহাশিংনা য়াম্না পাম্না শক্লরিবা 'কৈশাম্পাৎনি কৈশাম্পাৎ' হায়বা অসিনি। অতোপ্পা অদুনা 'খোঙলক্লনু থেংলবা অহিংদা শ্যাম নঙগী বাঁশি' হায়বা অসিনি। ঈশৈ অনীমক অসি হৌজিক হৌজিক হিট ওইবা ঈশৈশিংনি। মতৌ করম্না হিট ওইরিবনো হায়বা অদুদি প্রদক্সন টিমগী হৈশিংবনি হায়বা তাই।

ফিল্ম অমদা হাপ্লিবা ঈশৈ অদুনা ফিল্ম অদুবু মীয়ামদা য়েংহন্নিংবা ফাওবা মওংগী খুৎনমদা ঈশৈ অসি হান্না ওদিওদা ভিজুয়েল ওইনা থাদোক্লবা মতুংদা ফিল্ম অসি তপ্ন–তপ্না নম্বা হৌখিবনি। অহানবদা শক্লিবা ঈশৈ 'কৈশাম্পাৎনি কৈশাম্পাৎ' হায়বা ঈশৈ অসিগী ফিল্ম অসিগা থোইদোকপা মরী লৈনদে। অদুবু কাষ্টিংদা হাপ্লিবনিনা য়াম্না চুনবা ফিল্মগী কাষ্টিংগী ঈশৈ অমদি ওই হায়বা তাই।


থাসনাগী শক্তম লাংখিবা বোনিগী এক্ট অয়াম্বা নেচর তাই। মহাক্না পামজবী নুপী অমগী মফমদগী ইকাইবা নঙলগা নোং চুবা নুমিৎ অমদা য়ু ঙাওরগা হল্লকপা অদুদা চৎপা ঙমদদুনা থোঙ্গালদগী শুমাং ফাওবা লৈখোম লৈনাং মরক্তা ইরোয়রগা লাকখিবা অদু ফিল্ম অসিগী য়াম্না চুশিন্নবা সিন অমনি।


তোম্থোইগী ওইনা ফিল্ম অসিদা মহাক্না থাসনাবু অপাম্বা ফাওরকপগা লোয়ননা মহাক্কী ময়ুমদা লাক্তুনা ফি–রোল পিরবা কয়া অদুদা হরাওমনখিদুনা ব্রাই শিংৎলল্লিবা শুমজিৎ অদু অকদায়দা থমগদবনো হায়বা ফাওবা কাওবা মখে থাসনাগী নাদুনা লৈরিবী মমাংগী ফমুংদা ঙাশিনবা অদু য়াম্না নেচর তাই। অবেনাওগী ওইনা ফিল্ম অসিদা কেন্সর পেসেন্ট অমা শাদুনা হোস্পিটালাইজ তৌরম্বা মতম অদুদা মহাক্কী এক্টিং অদুসু নেচর তাই। মহাক্না থাসনানা ভি দি এফগী য়ুনিফোর্মদা উবদা মখুৎ য়েৎনা সলাম তৌগে হায়না থাঙ্গৎপদা দ্রিপ কাপ্লম্বনা ওইনা সলাম তৌরকখিবা অদুসু ফজবা পার্ফোমেন্স অমনি। ফিল্ম অসিদা থাসনাগী মরুপ শাখিবা মীয়াম্না 'কবোকলৈ ইনাওচা' হায়রগা খঙনরিবা ইবোমচাসু নীথিংনা এক্ট তৌখি। ফিল্ম অসিগী সিনেমাতোগ্রাফর, এদিটর, মেক–অপ, ম্যুজিক দিরেক্টরনচিংবনা নীংথিনা মাগী মাগী মথৌ তৌখিবা ফিল্ম অমা ওইবতা নত্তনা এক্ট তৌখিবা অহল ওইরবা আর্টিষ্টশিংসু এক্ট তৌখিবা ফিল্ম অমনি।



















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*